## সিভ সেনাগী এম পি রাহুলগী খোঙচৎতা শরুক য়াখ্রে

কাথুৱা, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
সিভ সেনা (উধব বালাসাহেব থাক্রে) গী এম পি সঞ্জোয় রাউট ঙসি কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী কাথুৱা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা সিভ সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাউটনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা কাস্মিরদা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ য়ৌশিল্লকপা অসি অরাইবা থবক নত্তে। খোঙচৎ অসি হেক হৌবদগী অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোনদা লাকখিবনি। অমত্তা ওইবা হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা চৎপা খোঙচৎ ওইবনা সিভ সেনাগী মহুৎ শিল্লগা ঙসি মহাক্না খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারকপনি। সিভ সেনানা মতম পুম্বদা অমত্তা ওইবা অপুনবা ইন্দিয়াগী শক্তম উবা পাম্মী। মহাক্না ঙসি ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফম নত্তে। খোঙচৎ অসিবু লুচিংদুনা চৎলিবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিগীদমক করিগুম্বা থবক খরা শোয়দনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## রেষ্টলরশিংদা সেক্সুএল হরাসমেন্ট চত্থখি হায়বগী মতাংদা য়েংশিন্নবা খোঙজংল্লোয়শিংনা অপিল তৌরক্লি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
ওলিম্পিয়ন রেষ্টলর অমদি কম্মনৱেল্থ গেমস গোল্ড মেদলিষ্ট শিংনা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন ব্রিজ ভুসন শরন সিংহনা রেষ্টলর নুপীশিংদা সেক্সুএল হরাসমেন্ট পীখি হায়বগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমদি য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা য়েংশিন্নবা অপিল তৌরক্লি।



লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিগী জন্তর মন্তরদা ঙসি রেষ্টলর ভিনেস ফোগাট, সাক্সি মালিক, রভি দহিয়া অমদি দিপক পুনিয়া য়াওনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা বজ্রং পুনিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ফেদরেসন অসিগী চ্যেরমেননা মতম কয়াগী মমাংদগী নুপী রেষ্টলরশিংদা কা হেনবা থবক চত্থবা অমদি মিসমেনেজমেন্টকী থবক থৌওং কয়া থোকহন্দুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লবগীদমক তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনরিবা নুপী শান্নরোয়শিংদা নত্তবা লীচৎ চৎনবা হোৎনরকপা হায়বসি লাইবক থিবনি। ঐখোয়না ঙসি খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি রেষ্টলিং ফেসরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়োক্তনি। মসিদা ফেদরেসন অসিনা পোলিটিকেল ওইবা মুক্ন বরোমদা পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি মখেশয়গী অশোয়বা অরানবা কয়া অদু কুপশিন্নবা হোৎনবনি। হিরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা মীৎয়েং চঙদনা লৈরিবা অসি শান্নরোয়শিংগী ওইনদি লাইবক থিবনি। শান্নরোয়শিংনা প্রেক্টিস তৌদুনা লৈগদবা মতম অসিদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈরিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা মাঙজবনি। শান্নরোয়শিং অসিনা হৌজিকসু ফেদরেসনগী চ্যেরমেন শরন সিংহনা ফোঙনা থোরক্তুনা ৱারী শাদ্রিবা অসিমক মহাক মরাল লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি তুংদা হৌরক্কদবা শান্নরোয়শিংগীনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি টি উশাদসু অঙীবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহনখ্রে। অমদি রেষ্টলর খরগসু ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনুরাগকা ৱারী শান্নখি হায়রি।

## আম অদমি পার্টিনা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

চান্দিগর, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পঞ্জাবতা লৈরিবা লৈঙাক অসি রিমোত কন্ট্রোল তৌদুনা শিজিন্নবগা চপ মান্নরে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু এ এ পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীখল অয়াম্বদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায়থিবা নংলবসু এ এ পিদা তাইশিন্নবা হায়বসি মখোয়গী হৈনবীনি হায়রি।

এ এ পিগী এম পি রাঘব চন্দানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা লৈরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা পঞ্জাবতা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ট মাননা লুচিংবা লৈঙাক অসি এ এ পিগী নেসনল কনভিনর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা রিমোট তৌদুনা শিজিন্নবগা মান্নে হায়না করেম্নখিবা অদু পঞ্জাবতা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা তৌখিবা অদুগা মান্ননা তৌরমগদ্রা হায়না খনবদগীনি। মসিদা ঐখোয়না কা হেন্না খঞ্জিল্লুবা লৈতে। দেল্লি অমসুং পঞ্জাব অনীমক্তা মতম শাংনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা গান্ধী ফেমিলিনা মখোয়গী চীফ মিনিষ্টরশিং অদুবু রিমোট কন্ট্রোল তৌদুনা শিজিন্নরম্বনি। অদুবু দেল্লিদা হৌজিক লৈরিবা অমসুং পঞ্জাবতা লৈরিবা লৈঙাক অসিদি মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক্নি। অদুবু কোংগ্রেসকী ওইনদি মায়থিবা নংলিবা খুদিংমক এ এ পিদা তায়শিন্নবা হায়বসি মখোয়গী হৈনবগী অমা ওইনা লৈরি হায়রি।



মহাক্না মখা তানা ফোদোকখিবদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ট মানবু দেল্লিদা য়াম্না তোয়না কৌরিবা অসি এ এ পিনা মখোয়গী অপাম্বা অদু ফোঙদোক্তুনা অমদি চীফ মিনিষ্টর মানবু রিমোটনা শীজিন্নবা পোৎশক অমগুম শীজিন্নরি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীরি। অদুবু পঞ্জাবতা কোংগ্রেসকী লৈঙাক ওইরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা চরঞ্জিৎ সিংহ চন্নিদি গান্ধী ফেমিলিনা চয়োল খুদিংগী দেল্লিদা কৌদুনা লন্নাই চীফ মিনিষ্টর অমগুম শীজিন্নখি হায়বসি মতমদুগী মীয়াম্না য়ান্নখিবা ৱাফম অমনি। দেল্লিদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈ অমসুং পঞ্জাবতা এ এ পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং খেন্নবা কয়া লৈ। দেল্লিগী মীয়াম্না এ এ পিদা থাজবা থম্মী, পঞ্জাবকী মীয়াম্না কোংগ্রেসতা অমুক হন্না থাজবা থম্বা পামদে হায়রি।

## অচুম্বশিং মীয়ামদা অথুবা মতমদা খঙহল্লগনি ঃ চ্যেরমেন

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
নুপী রেষ্টলরশিংদা রেস্লিং ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন ব্রিজ ভুসন সরন সিংহনা সেক্সচুএল হরাসমেন্ট পীখি হায়বগী মতাংদা মফম থাদোক্লবা শান্নরোয় কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা দব্লিয়ু এফ আইগী চ্যেরমেন ভুসননা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক চত্থরিবা থৌওং অসি পোলিটিকেল কন্সপিরেসিনি, মহাকপু মরাল শিনবা হোৎনবনি। ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা অচুম্বশিং অথুবা মতমদা খঙহল্লগনি হায়রি।

বি জে পি লোক সভাগী এম পিসু ওইরিবা দব্লিয়ু এফ আইগী চ্যেরমেন ভুসননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা



ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক শান্নরোয়শিংবু লান্না লমজিংদুনা মহাক্কী মথক্তা ইহৌ হৌহল্লকপনি। ফেদরেসন অসিগী চ্যেরমেন ওইনা লৈরকপদগী ঙসি ফাওবদা মহাক্না নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংবু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা লাক্লি। অমদি ফেদরেসন অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনরিবনি। মরক অসিদা নুপী শান্নরোয়শিংদা মহাক্না সেক্সচুএল হরাসমেন্ট চত্থখি হায়না মরাল শিরক্লিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদে। অথুবা মতমদা মীয়ামদা অচুম্বা ৱাফম মরী লৈনবশিংনা শোয়দনা খঙহল্লকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

পনবা য়াবদি, স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পুং ৭২ গী মনুংদা ফেদরেসননা মখোয়দা শীরক্লিবা মরাল অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা রিপোর্ট পীখৎলক্তুবদি ফেদরেসনগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

## লেফটনেন্ট গভর্ণরনা এস সীগী ওর্দর ইনগদবনি ঃ এ এ পি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা দেল্লি গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকনা মখোয়গী মীহুৎ ওইনা থারকখিবা লেফটনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনা অনীগী মরক্তা পৱারগী মতাংদা মুক্নবগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্লিঙৈ মরক অসিদা লেফটনেন্ট গভর্ণরনা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর ঙাক্না চৎকদবনি হায়না এ এ পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এ পিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ওজাশিং মপান লমদা ট্রেনিং তৌবা থাবগী মতাংদা লেফটনেন্ট গভর্ণরনা অয়েৎপা পীনবা হোৎনরিবা



অসি তৌরোয়দবনি। লেফটনেন্ট গভর্ণর অমগী মথৌদি লৈরিবা লৈঙাক অদুগী থবক থৌরমদা মতেং পাঙবা অমদি এদভাইস তৌবনি। সুপ্রিম কোর্টকী মতুংইন্না লেফটনেন্ট গভর্ণরনা দেল্লি গভর্ণমেন্টকী ওইবা ফাইলশিং হঙবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লেফটনেন্ট গভর্ণরনা মপু য়ানবা হোৎনবদা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না লৌদে। দেল্লি গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াদা লেফটনেন্ট গভর্ণরনা অয়েৎপা পীদুনা লাক্লি। দেল্লিগী ওজাশিংনা ফিনলেন্দদা চৎতুনা ট্রেনিং তৌনবা প্রোগ্রাম অমা লৈঙাক্না শেমখিবা অদুবু লেফটনেন্ট গভর্ণরনা অথিংবা পীদুনা লাক্লি। লেফটনেন্ট গভর্ণর মশানা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনীমক ইনভাইট তৌদুনা উন্ননবা খঙহল্লকপা লৈখ্রবসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লুচিংবশিং অসিনা গভর্ণর উন্নবা চৎলুবা মতমদা মতম পীরকখিবদা অদুমকসু লৈরিবা লৈঙাক অসিবু ইকায়বা পীনবগী থৌওংনি হায়রি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী বেটি বচাও স্লোগান বি জে পিনা অরেম্বদা তাহল্লে ঃ কোংগ্রেস



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদবনি হায়বগী পান্দমদা বেটি বচাও বেটি পরাও হায়না লাউদুনা লাকখিবা খোল্লাউ অদুবু বি জে পিনা অরেম্বদা তাহল্লে হায়না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস লুচিংবা কৃষ্ণপুনিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখিবদা রেস্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন ব্রিজ ভুসননা নুপী রেষ্টলরশিংদা সেকচুএল এসোল্ট তৌখি হায়বগী মতাংদা নুপী শান্নরোয় কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লি। মসিগী মথক্তা বিলকিস বানো গেং রেপতা চেন্নবা মীওইশিং ফাদোক্কী মতম লোয়দ্রিঙৈদা গুজরাট লৈঙাক্না থাদোকখিবগীদমক লৈবাক অসিগী নুপী কয়ানা পেন্দবগী খোল্লাউ লাউদুনা লাক্লিবনি। চিনদনা নুপী য়োকখৎসি, নুপী কনসি হায়দুনা বি জে পিনা লাউরি। অদুগা থবক্না নুপীশিংগী মায়োক্তা চত্থরি। রেপিষ্ট কয়াবু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা য়োকখৎতুনা থল্লি। লৈবাক অসিদা থোকপা নুপীদা চত্থবা ক্রাইম অয়াম্বা বি জে পিগী লুচিংবশিং নত্রগা মখোয়গী মচা মশুশিং চেন্নৈ হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। লৈরিবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা শান্নরোয়শিংদগী মেদলশিং টার্গেট তৌরি অদুগা নাকল অমরোমদনা শান্নরোয়শিংবু সেক্সচুএল হরাসমেন্ট পীরি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদ্রবদি মতুং তারকপদা মমা মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু শান্নবগী লম্বীদা চঙহনবা পাল্লোই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বোক্সরসু ওইরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা বিজেন্দর সিংহনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি নুমিৎ হুমনি শুখ্রে। অদুবু বি জে পি লুচিংবশিংনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারোয়শিন পুরক্লবা হোৎনবা লৈত্রি। শান্নরোয়শিংনা শিরক্লিবা মরাল অসি অচুম্বা ওইগনি হায়বসি খুদিংমক্না খঙঙি মরম অদুনা সেন্টরদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা মতম চানা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়রি।

## উন তাবদগী লম্বী ২৭৮ মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে

সিমলা, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
হিমাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইংবগী চাং হেনগৎলকপদগী উন তাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা নোং মরিক মরিক চুরকপদগী চখোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া থোরকপা য়াবনা মরম ওইরগা লম্বী ২৭৮ মতম খরগী ওইনা থিংজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুলুদা লৈবা জলোরি জোট অমসুং রোহটাং পাসতা সেন্টিমিটর ৬০ অমসুং ৪৫ গী চাংদা উন তাখি। অদুগা অটাল টনেলগী মখা থংবা শরুক অমসুং চানসেলদসু সেন্টিমিটর ৩০ গী চাংদা উন তাবা থেংনখি। চৌরধার অমসুং দোদ্রাক্কারদা সেন্টিমিটর ২৫ গী চাংদা, খদ্রালাদা সেন্টিমিটর ১৬ কী চাংদা অমদি সিমলাগী জ াখো পিক অমসুং থংননা লৈরিবা কুফ্রি এরিয়াশিংদনা সেন্টিমিটর ১০ গী চাংদা উন তাখি। মনালি, গোহার অমসুং টিন্দিরদনা মথংশিংনা মিলিমিটর ১৬, ১১ অমসুং ৮.৩ গী চাংদা উন তাখি। হিমাচল প্রদেশকী মফম অয়াম্বদা উন তাশিনখিবনা মরম ওইরগা গাড়ী থৌবদা কা হেন্না নানবদগী গাড়ী থৌবা য়ারক্তবা অমদি ময়েক শেংনা উবা ৱাৎপগী থৌদোকশিং থোকপা থেংনখ্রবা মতুং পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক লম্বী ২৭৮ অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

## লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৩০ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৩০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৩০ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮১,৫৮৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৯২৩ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭২৮ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

## রিপব্লিক দেগী মাঙওইননা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং কনখৎখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দে থৌরমগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক নেসনল কেপিটেল অসিদা সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং হান্নদগী হেন্না কনখৎলকখিবগা লোয়ননা দেল্লি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী ওইবা মীফম অমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না দেল্লি পুলিসকী ওইনা লৈরিবা এসিষ্টেন্ট কম্মিসনর ওফ পুলিসশিং অমসুং ষ্টেসন হাউস ওফিসরশিংগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা রেসিদেন্টস ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি মার্কেট ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মেম্বরশিং য়াওনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী কৈথেলগী এরিয়াশিংদা চিংনবা য়াবা থৌদোকশিং উরবদি খুদক্তা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীনবা খঙহনখি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 59/SDC/Hng/IE/2023**

(1) Ngariyambam Thoiba Singh S/o (L) Ng. Iboton Singh of Lairikyengbam Awang Leikai.
(2) Asem Priyokumar Singh S/o (L) A. Kuber Singh of Chingamakha Pishum Leirak. -Petitioners

-Vs-

(L) Ngariyambam (N) Tilotama Devi D/o (L) Ng. Iboton Singh of Lairikyengbam Leikai. -OP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 20/1/2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ১২-লাইরিকয়েংবম লৈকাই লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ১৩১, ৩৪৪ অনৌবা পাট্টা নং: ৫৫২/৬৭৮, দাগ নং: ৭১৩/৯৩১, এরিয়া .১৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5775/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 6/SDC/IW(H) of 2023**

Sarangthem Gopen Singh S/o (L) S. Ibotombi Singh of Malom Tuliyaima Bazar. -Petitioner

-Vs-

(L) Sarangthem Ibotombi Singh S/o Madhop Singh of Malom Tuliyaima. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 11/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 1-Malom Tuliyaima পাট্টা নং 70 (অরিবা) 197/1402 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 289 গী এরিয়া 0.66000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 27/01/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/5776/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 55/SDC/Hng/IE/2023**

Waikhom Dayananda Singh S/o W. Krishnamohon Singh of Heingang Awang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Waikhom Manitombi Singh S/o (L) W. Thambou Singh of Heingang Awang Leikai. -OP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 20/1/2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 16-Heingang লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 864 অনৌবা পাট্টা নং: 564 দাগ নং: 3077, এরিয়া .415 একর চাওবা Phourel অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5775/21

**ওফিস ওফ দি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন**

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **খঙহঞ্জবা**
তাং ২০।০১।২০২৩

No. 4/19/2022-IMC : খঙহঞ্জবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মনুংদা ষণ, শগোলনচিংবা লোইবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation Cattle Trespass Act, 1871 (Act 1 of 1871) Section 5 & 12 গী মতুংইন্না লম্বী-সোরোক্তা থাদোক্লিবশিং অসি ফাজিল্লগা মখা তাবা action লৌরগনি। য়ারিবমখৈ শা-ষণবু ইশা-ইশানা লম্বী-সোরোক্তা অমদি মীয়াম তিনবা মফম বাজার-নচিংবদা থাদোকপীগনু।

মথক্তা পল্লিবা ৱারোলশিং অসি করিগুম্বা ঙাক্তবা তারবদি Act কী মতুংইন্না মখল কয়াগী চৈরাক অমসুং ফাইন লৌগনি।

পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি প্রজা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোং থিবা, অশোক-অপন কয়া অমা থোকহনখ্রবশিংদুদগী কোকননবা পায়খৎচবনি।

**Sd/- Ksh. Gyanendra Singh**
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7987/21

**ওফিস ওফ দি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন**

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **খঙহঞ্জবা**
তাং ২০।০১।২০২৩

No. IMC/24/RO/3-Market/2020 : ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা হৌখিবা তাং ২৯।০৬।২০২২ দা থোকখিবা নোটিস অদুদা খঙহঞ্জখিবা ইমা কৈথেলবু লুনা-নান্না থম্নবগীদমক্তা লমতাগী নোংমা পানবা, ২০২১ কুমজা অসিদগী হৌরগা থা খুদিংগী নোংমা পানবা নুমিৎতা শিন্থা লেপ্পীদুনা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোক-চামথোকপগী থবক চত্থদুনা লাক্লি।

মখা তারকপদা লাক্লিবা তাং ২২।০১।২০২৩ গী নোংমা পানবা অসি REPUBLIC DAY গী য়েংলগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ৪ (মরি), Lamlong, Kongba, Khuman Lampak, Singjamei, Thangmeiband Road, Keishamthong, Pishum, Kwakeithel, Tera Bazar, Naoremthong, Sagolband Road, Konung Mamang, Checkon, Keishampat to Airport দা লৈরিবা কৈথেল অমদি দুকান ফম্বীরিবা পুন্নমক্না শিন্থা লেপ্পীদুনা ইশা-ইশানা লুন-নান্না (Social Service) তৌবীদুনা লাক্লিবা 26th January 2023 (REPUBLIC DAY) অসিদা Imphal City অসিবু Cleanliness City অমা ওইহল্লসি হায়না Imphal Municipal Corporation গী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি।

**Sd/- Ksh. Gyanendra Singh**
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7988/21